ক্রুমেন্স ভেটরান হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৯

# এন সী এম এমনা এল ৱাই টি এন এমবু পাঞ্জল ৭-৩দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান্স হোকি এসোসিএসন্না শীন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা চথরকখিবা অনীশুবা ফাঞ্জৌবম সুসিলকুমার সিংহ মেমোরিএল ক্রুমেন্স ভেটরান হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৯দা এন সী এম এমনা এল ৱাই টি এন এমবু পাঞ্জল ৭-৩দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।



অনীশুবা ফাঞ্জৌবম সুসিলকুমার সিংহ মেমোরিএল ক্রুমেন্স ভেটরান হোকিটুর্নামেন্ট২০১৯ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা এমভিঐচএগী প্রসিদেন্ট সোরাম লোকেশ্বরনা প্রসিদেন্ট, এস এস এগী এদিসনেল ষ্টেট প্রোজেক্ট দিরেক্টর টিফুলেন মৈতৈ (এমসীএস) নাগেষ্টওফওনর, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ইলেক্তেদ মেম্বর ৱার্দ নম্বর ২০গী সনসম সরত, হান্নগী নেসনল হোকি শান্নরোয় থোকচোম রবিনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি এন সী এম এম অমসুং এল ৱাইটিএনএম শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা এন সী এম এম টিমনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক কয়া লেপ্তুনা চথরকখি। মেচকী ৬শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৭ জি অমুস্নানা মহাক্কী টিমগী একাউন্ট হাংদুনা মেচ অদু পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাহনখি।

মখা তানা লেপ্তুনা এন সী এম এমগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক্কী ৮শুবা অমসুং ৯শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৫না পাঞ্জল অনী চনশিন্দুনা ৩-০দা অমুক মাঙজিল থাহনখি। এল ৱাই টি এন এমগী মায়কৈদগী মখোয়গী শোখরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু অহানবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা অদুমক লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টর হেক হৌরকপগা এল ৱাই টি এনগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মেচকী ১৩শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৮ অঙ্গিনাবুন্টিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-৩দা লৈহনখি। এন সী এম এমগী মায়কৈদগী চথরকখিবা য়াম্না ফজরবা এটেক অমদা মেচকী ১৪শুবা অমসুং ১৬শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১০ কে ঐচ সুসমা অমসুং জর্সি নম্বর ৫ এন পুনমনা পাঞ্জল অমমম চনখ্রবা মতুং মেচকী ১৭শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ১৭ পি ইনাওচানা পাঞ্জল অমগা চল্লবা মতুং অনীশুবা ক্বার্টর লোইশিনখি। অহুমশুবা ক্বার্টরদদি টিম অনীমক্না অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদে।

মরিশুবা ক্বার্টরদা এন সী এম এমনা এল ৱাই টি এন এমবু হান্না খুদুম চন্দুনা শান্নরকপনা এন সী এম এমগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৫ এন পুনম, জর্সি নম্বর ৭ জি অমুস্নানা মেচকী ৩৬শুবা অমদি ৩৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চন্দুনা মেচ অদু পাঞ্জল ৭-২দা লৈখি। মেচ লোইগদবা মিনট ২দা ঙাইরবা মতমদা এল ৱাই টি এন এমগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ ফিবতামানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩-৭তা লৈখি। অদুবু মেচ লোইবা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু এন সী এম এমনা পাঞ্জল ৭-৩দা মায় পাক্লুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবা এন সী এম এমদা শেল ওইনা লুপা লিশীং ১০ অমসুং ত্রোফি অমদি রন্নর্স-অপ তাখ্রবা এল ৱাই টি এন এমদা শেল ওইনা লুপা লিশীং ৭ অমসুং ত্রোফি খুৎশিন্নখি। টুর্নামেন্ট অসিগী প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টনা এন সী এম এমগী শান্নরোয় টি ঐচ নন্দিনি, হায়েষ্ট স্কোরর ওফ দি টুর্নামেন্টনা এন পুনম, বেষ্ট গোলকিপরনা এ সন্ধয়ারানি অমদি প্লেয়র ওফ দি ফাইনেল মেচনা এল ৱাই টি এন এমগী পি ইনাওচানা তাদুনা শেলগী মনা লুপা লিশীং অমমম খুৎশিন্নখি।

# মণিপুরগী রগবি টিম ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন রগবি ফুটবোল য়ুনিয়নগী মীৎয়েং মখাদা বিহারগী পটনাদা লৈবা পতলিপুত্র ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৯দগী ২১ ফাওবা চথগদবা সেনিয়র নেসনল রগবি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী রগবি টিম হয়েং ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়না রগবি এসোসিএসন মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সেনিয়র নেসনল রগবি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ অসিদা মণিপুরদগী পূন্না নুপা অমদি নুপী শান্নরোয় ২৪ অমসুং ওফিসল ৪ য়াওরি। টিম অসিনা গোৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল গেমস অসিগী ক্বালিফায়িং রাউন্দসু শরুক য়ারুগনি। শরুক য়ারুগদবা শান্নরোয়শিং অদুদি নুপীগী কাঙলূপ্তা এস শান্তিকুমার (কেপ্তেন), ঐচ বোচা (ভাইস প্রসিদেন্ট), কে ঐচ রিঙ্গোষ্টর, এস নিংথৌ, এন রিসিকান্ত, জি বিমেশ, এম রঘুমনি, এস সঞ্জয়, সী ঐচ লকিচান, বোইপু বাইতে, দল্লিয়ু রোহিটকুমার, জেমসন পুখ্রম্বমনি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা আই ইবেয়াইমা (কেপ্তেন), এস প্রমোদিনি (ভাইস কেপ্তেন), কে ঐচ বিদ্যারানি, এম স্বিটি, এস অবি, এস অনিতা, এন লোইদাং, ও রেবিকা, কে ঐচ সোনি, টি ঐচ দেবজানি, পি ঐচ বিনা, এন ইচনথোইবীনি। টিম কোচ ওইনা এল শান্তিকুমার অমসুং গাইজিলুই গোলমৈ, টিম মেনেজর ওইনা এন ইসোরচন্দ্র অমসুং জি দি কে শর্ম্মানি হায়না এসোসিএসন অসিগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরিগী চেরোলসিনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

# মণিপুরগী কাসপোরোভ অমসুং বোরিসনা ওল ইন্দিয়া সব জুনিয়র বেদমিন্টনগী দবলস টাইটল লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস) : হায়দ্রবাদতা থা অসিগী ৯দগী পাঙথোরকপা ওল ইন্দিয়া সব জুনিয়র (অন্দর-১৩) রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্টদা মণিপুরগী অহন্থেম কাসপোরোভ অমসুং বোরিস সলামনা নুপামচাগী দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।



ঙসি লোইশিনখিবা ওল ইন্দিয়া সব জুনিয়র (অন্দর-১৩) রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেচতা টুর্নামেন্ট অদুগী নম্বর ৱান সীদেদ পেয়র ওইখিবা টেলঙ্গনাগী প্রনোব রাম এন অমসুং সাই প্রসাদ টিগলাবু গেম ৩দা অকনবা লম্বা অমা থেংনরগা মায়থীবা পীরগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

অহানবা গেম অদু মণিপুরগী কাসপোরোভ অমসুং বোরিসনা ২১-১৩দা থোইখি। অনীশুবা গেমদা টেলঙ্গনাগী প্রনোব অমসুং প্রসাননা ২১-১২দা থোইদুনা অহুমশুবা গেম শান্নখি। মদুদা মণিপুরগী পেয়র অদুনা ২১-১২দা থোইরগা নুপামচাগী দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরগী অহন্থেম কাসপোরোভ অমসুং বোরিস সলাম টুর্নামেন্ট অদুদা ক্বালিফায়িং রাউন্দ শরুক য়ারবা মতুং শান্নরকপনি।

য়াম্না ফজবা মওংদা মখোয় অনীনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা অনীশুবা সীদেদ পেয়র পুদুচেরিগী মিথিলেজ পি কে অমসুং হরিস রাগাবেদ্রনবু ২১-২৩, ২১-১৯, ২১-১৩দা থোইরমখি। মদুগী মতুং মণিপুরগী শান্নরোয় অনী অহন্থেম কাসপোরোভ অমসুং বোরিস সলামনা ক্বার্টর ফাইনেলদা উত্তর প্রদেশকী ভাভিয়া সব্রা অমসুং হরিয়ানাগী ওমকরন শর্ম্মবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৭, ২১-১৩দা মায়থীবা পীরগা সেমী ফাইনেল য়ৌখি।

সেমী ফাইনেলদা ওল ইন্দিয়া সব জুনিয়র (অন্দর-১৩) রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী তরেৎশুবা সীদেদ পেয়র উত্তরাঞ্চলগী বঞ্চ প্রটাপ সিংহ অমসুং কোষ্টুভ টিয়াগিবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৭, ২১-১৮দা মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ক্বালিফায়িং রাউন্দগী লাকখিবা পেয়রনা টাইটল লৌবা অসি য়াম্না তাঙনা থোকপা অমা ওইরি।

ইন্টর রেঞ্জ গ্রুপ সেন্টর বট্টালিয়ন লোন টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯

# লালচান্দ য়াদবনা সিঙ্গলসকী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস): গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফ ইম্ফালনা শীন্দুনা জুলাই ১৩দগী হৌদুনা ইষ্টর্ন ক্লব লোন টেনিস গ্রাউন্দ ইম্ফালদা চথরকখিবা ইন্টর রেঞ্জ গ্রুপ সেন্টর বট্টালিয়ন লোন টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী সিঙ্গলসকী ৱিন্নর লালচান্দনা ওইখ্রে।

ইন্টর রেঞ্জ গ্রুপ সেন্টর বট্টালিয়ন লোন টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা দবলসকী ফাইনেল মেচতা আই হোলেন্দ্রো (দি আই জি পি) অমসুং এস প্রেমজিৎ (সী ও এম দি টি) গী জুরানা এস ঐচ লালচান্দ য়াদব (সী ও এম দি টি) অমসুং এম সন্তোস (দি সী) গী জুরাবু সেট ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী ফাইনেল মেচতা আই লোকেন্দ্রো অমসুং এস প্রেমজিৎ অনীগী জুরাগা লালচান্দ য়াদব অমসুং এম সন্তোসকী জুরাগা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা লালচান্দ য়াদব অমসুং, ম সন্তোসকী জুরানা আই লোকেন্দ্রোবু সেট ২-১ (৬-৪, ০-৬, ৩-৬) দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

ঙসি শান্নখিবা সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচ অদুদা লালচান্দ য়াদব অমসুং এস প্রেমজিৎ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু লালচান্দ য়াদবনা এস প্রেমজিৎপু সেট ২-০ (৬-৩, ৬-৩) দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

১৫শুবা গভর্ণরস কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯

# নুপীগীদা গীতি, তম্ফাস্না, অম্বীকা অমদি নুপাগীদনা রজিব, তোম্বা, সৈত্যনন্দা গোল্ড ফংখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসন (এম এফ এ) না শীন্দুনা খুমন লম্পাক ফেন্সিং হোলদা ঙসি ১৫শুবা গভর্ণরস কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ হৌদোকখিবগা লোয়ননা নুপীগীদা এল গীতি, তম্ফাস্না, অম্বীকা অমদি নুপাগীদনা রজিব, তোম্বা, সৈত্যনন্দা গোল্ড ফংখ্রে।

১৫শুবা গভর্ণরস কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী ফোইল ইভেন্টতা কে ঐচ রজিবনা গোল্ড, এস বিকিনা সিলভর অমসুং এন মালেমঙানবা অমদি এল মনাওতোন্না ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

নুপামচাগী ইপী ইভেন্টতা এ তোম্বনা গোল্ড, জেনিথনা সিলভর অমসুং কে দোরেল অমদি এন রোবর্টসন্না ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

নুপামচাগী সেবর ইভেন্টতা টি ঐচ সৈত্যনন্দনা গোল্ড, এন সাওলিন্না সিলভর অমসুং চীংলেম্বা অমদি এস জিমিকান্তনা ব্রোঞ্জ ফংখ্রে।

১৫শুবা গভর্ণরস কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী নুপীমচাগী ঙসি শান্নখিবা ফোইল ইভেন্টতা এল গীতিনা গোল্ড, এ কে দিবিয়াপামনা সিলভর অমসুং লনচেনবী অমদি টি মঙাললৈবীনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

নুপীমচাগী ইপী ইভেন্টতা তম্ফাস্নানা গোল্ড, দিভিয়ানা সিলভর অমসুং জেসি অমদি বেনাওনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে। নুপীমচাগী সেবর ইভেন্টতা অম্বিকানা গোল্ড, প্রিয়ানা সিলভর অমসুং নেন্সি অমদি বেবিদাইনানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

# ৯শুবা নেসনল ভোভিনাম চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়ারুবশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচএনএস): ভোভিনাম এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা থা অসিগী ২দগী ৫ ফাওবা অসামগী দিসপুরদা লৈবা ভুগেৱারি ফুকানারি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ৯শুবা নেসনল ভোভিনাম চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী টিম ওকপগী থৌরম অমা ঙসি খুমন লম্পাক কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।



৯শুবা নেসনল ভোভিনাম চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়ারুদুনা মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি সব জুনিয়র গর্লসকী কেজি ৩২ মখাগী কাঙলূপ্তা এল মেরিনানা গোল্ড, কেজি ৪০ মখাগী কাঙলূপ্তা এম লিয়েন্দানা গোল্ড, কেজি ৪৬ মখাগী কাঙলূপ্তা নিরুতা থৌদামনা গোল্ড অমদি কেজি ৩২ মখাগী কাঙলূপ্তা এল মেরিনানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

সব জুনিয়র বোইজগী কেজি ৪৪ মখাগী কাঙলূপ্তা দল্লিয়ু সনাথোইনা গোল্ড, কেজি ৩৬ মখাগী কাঙলূপ্তা এল অনাল হাতেনা সিলভর অমসুং কেজি ৩২ মখাগী কাঙলূপ্তা টি কিয়াম্বনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

জুনিয়র গর্লসকী কেজি ৪৪ মখাগী কাঙলূপ্তা সী ঐচ সাওলিননা গোল্ড, কেজি ৪৮ মখাগী কাঙলূপ্তা কে ঐচ রোসিনানা গোল্ড, কেজি ৫২ মখাগী কাঙলূপ্তা এন জি রঞ্জিতানা সিলভর, কেজি ৫৬ মখাগী কাঙলূপ্তা এস নেহানা গোল্ড অমদি কেজি ৬২ মখাগী কাঙলূপ্তা এস লনচেনবীনা গোল্ড মেদল ফংখি।

সী ঐচ রোজিয়ানা লোং হোকুয়েন অমসুং ৱান ফিমেল অগেনষ্ট থ্রী মেল ৱিদাউট ৱেপন্দা গোল্ড লৌখি।

জুনিয়র বোইজগী কেজি ৫২ মখাগী কাঙলূপ্তা টি হোমেশ্বরনা সিলভর, কেজি ৪৬ মখাগী কাঙলূপ্তা এস ব্রিসন্না গোল্ড, কেজি ৫০ মখাগী কাঙলূপ্তা এল কোরৌঙানবনা গোল্ড মেদল লৌখি। অদুগা জুনিয়র বোইজগী কেটেগোরিদা ৱান ফিমেল এগেনষ্ট থ্রী মেল ৱিদাউট ৱেবন, ৱান ফিমেল অগেনষ্ট থ্রী মেল ৱিদাউট ৱেপন অমসুং দোঙচান টান কোঙ ইভেন্টশিংদা পূন্না গোল্ড মেদল ৪ লৌখি।

সেনিয়র গর্লসকী কেজি ৪৪ মখাগীদা সরটাজ শাহীননা সিলভর, কেজি ৪৮ মখাগী কাঙলূপ্তা এল পুস্পানা গোল্ড মেদল ফংখি। অদুগা সেনিয়র গর্লসকী কাঙলূপ্তা পূন্না গোল্ডও মেদল ৫ লৌবা ঙমখি।

সেনিয়র বোইজকী কেজি ৫০ মখাগী কাঙলূপ্তা এল অজিৎনা গোল্ড অমসুং সেনিয়র বোইজকী ইভেন্টশিংদা পূন্না গোল্ড মেদল ৬ লৌবা ঙমখি।

শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরম অদুদা বোক্সিং কোচ এল ইবোমচা, হান্নগী ইন্টরনেসনল স্বিমর মেদলিষ্ট টি থৌবা, ভোভিনাম এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট থৌদাম ইমোচা, সোসল ৱার্কর টি ঐচ রাজেন, ফেন্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি দল্লিয়ু রঞ্জিৎ, বোক্সিং কোচ এম নরজিৎ অমসুং ভোভিনাম এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে ইবোহল শর্ম্মনা শরুক য়াখি।

# সুপর ওভরদা ইংলেন্দনা ন্যু জিলেন্দবু রন ১দা থোইরগা ৱর্ল্ড কপ টাইটল লৌখ্রে

লন্দন, জুলাই ১৪ (এজেন্সী): ইংলেন্দগী লোর্দস ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা আই সী সী ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেলদা য়াম্না ফজবা মওংদা য়ূম্বু ইংলেন্দনা ন্যু জিলেন্দবু সুপর ওভরদা শুপ্নগী রন ১দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুগী টোস ন্যু জিলেন্দনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা মখোয়না ওভর ৫০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২৪১ লৌখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী হেনরি নিকোলসনা রন ৫৫ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

ইংলেন্দনা মেচ অদু মায় পাক্লনবা রন ২৪২ লৌনবা হোৎনরকপদা ওভর ৫০ লোইশিল্লকপদা মখোয়সু ৱিকেট ১০ তুরগা রন ২৪১ লৌদুনা মেচ অদু টাই তাখি। ইংলেন্দগী মায়কৈদগী বেনষ্টোক্সনা আউট ওইদনা রন ৮৪ লৌরম্বা অদুনা মেচ অদুগী খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

ৱর্ল্ড কপ অসিগী কাঙলোনগী মতুং ইন্না ফাইনেল মেচতা টাই তাবা মতমদা সুপর ওভর শান্নরকখি। মদুদা ইংলেন্দনা রন ১৫ লৌখি। অদুবু ন্যু জিলেন্দনা রন ১৪ লৌরগা মেচ অদু ইংলেন্দনা রন ১দা থোইরগা অহানবা ওইনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

# সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচনা ফেদরর মায়থীবা পীরম্লগা ৱিমবল্ডন চেম্পিয়ন ওইখ্রে

লন্দন, জুলাই ১৪ (এজেন্সী): চহী অসিগী অহুম্লকশুবা গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিমবল্ডন টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেচ অদু সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচনা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ফেদররনা সেমী ফাইনেলদা স্পেনগী রফেল নদালবু মায়থীবা পীরমখি। অদুগা নোভাক জোকোভিচনা অতোপ্পা স্পেনগী শান্নরোয় রোবার্টো বোটিষ্টা অগুটপু থোইরম্বনি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদু শান্নরোয় অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। অহানবা সেট জোকোভিচনা ৭-৬ (৭-৫) দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদু ফেদররনা ৬-১দা থোইখি। অহুমশুবা সেট জোকোভিচনা ৭-৬ (৭-৪) দা থোইরবা মতুং মরিশুবা সেট অদু ফেদররনা ৬-৪দা থোইরগা সেট অনী মান্নরকপদগী সুপর টাই ব্রেক্তা জোকোভিচনা ১৩-১২ (৭-৩) দা থোইরগা সিঙ্গলস চেম্পিয়ন অদু ওইখিবনি।




HL-B/5528/3/7-1sept.



HL-B/5527/3/7-31aug.




| Sl. no | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Assistant Legal Advisor | LLB/LLM | 2 | Negotiable | 25-35 | H.Q |
| 2. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 2+2+2 +2+2 | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Nambol, Moirang |
| 3. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 7. | Driver (Car/Tata) | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 8. | Mechanic(2/W & 4/W) | VIII Passed | 3+2 | Negotiable | 18-35 | H.Q |
| 9. | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | 6,500-15,500 | 18-25 | H.Q |


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com